থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পূন্নমক্কী অসূপ্পা, মফম খূদিং লৈবা লাই

তাইবংপান- দ য়ুনিভর্স (বিশ্ব-জগৎ সংসার) অসি করম্না ওইরক্লিবনো? সাইন্তিস্তশিংগী নেবুলস-থিওরি-ঙমখৈ লৈতনা পাক চাউরবা অতিয়াসিদা পাইদুনা লৈরম্বা উফুল-ৱাইফুল অমদি মনিল (গ্যাস)শিং অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমগুম উরু-রু-রু লৈশিল্লক্লুনা, অকনবা শক্তি অমগা লোয়ননা পোকখায়খিবদগী মচেৎ-মচেৎ থোক্লা মায়কৈ কয়াদা পাইথোকখিবদগী অতিয়াদা তাউদুনা লৈরিবা ওবজেক্তশিং (নুমীৎ-থা-থৱানমিচাকশিং) অসি পোকখিবনি হায়বা, বিগ-বেং-থিওরি হায়নসু খঙনবা, খ্বাইদগী রিলাইএবল ওইবা সাইন্তিফিক থিওরি অসিগী মমাঙ, আ মথায় থায়না মমাংঙৈদগীসু মীওইবগী ৱাখলনা থিদুনা লাকই। ৱারী ৱাখুন কয়া চীন্থাঙ-পুথাঙ লীনরকপদগী কাইনথঙদা অইবা ওইনা থল্লম্মী। অসিগুম্বা খ্বাইদগী লীরবা লাইরিকশিংগী মরক্তা হিন্দুশিংগী 'বেদ'গী লাইরিকশিংসু অমনি। লাইরিকশিংদুগী মরক্তা 'উপনিশদ'কী লাইরিকশিং অখন্ননা পনবা য়াই। উপনিশদ'তা ইরল্লিবশিং, হিন্দু-স্কোলারশিংনা 'বেদান্ত' হায়নসু শীংথানৈ। বেদগী অরোইবা (বেদ+অন্ত), খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী লৌশিং পীবা লাইরিকশিংনিসু হায়নৈ।

মালেম, তাইবং, তাইবংপান করম্না ওইরকখিবনো... সাইন্স হায়বা হীরম অসি পোক্ত্রিঙৈ, বেদগী লাইরিক ইরল্লিবা স্কোলারশিংদুনসু খল্লমখি। মখোয়না শেল্লম্মী- ব্রহ্মা কৌবা লাই অমা। অদুগা হায়রকই- তাইবংপান অসি শেমখিবনি ব্রহ্মা'না। ইহান হানবমক্তদা অহাঙবা অতিয়াসিদা মফম-খঙদবা-মফমদগী শক্লাইদবা ময়ায় ওইনা চোংথোরক্লগা ব্রহ্মানা অমম্বা অমসুং অঙানবা, অফবা অমসুং ফত্তবা- মশাদা য়াওজবা মশক্তু য়েংজরগা শেল্লকখি। মথঙদা অমুক শেল্লকই- লাই অমসুং হিংচাবা মখল কয়া, মী ওইদবা থৱায়পানবশিং অমসুং মীওইবা। মহাক্লা শেমখিবা ইহান হানবা মীওইবদুগী মমিংনি- 'মানু' (খৃষ্টিয়নশিংগীনা 'অদাম')। উপনিশদ'কী মরমদা নোংচুপলোমগী মীশিংনা খঙবা/থিবা হৌরকখিবদি ১৯শুবা চহীচাদখক্তগীনি। ইহান হানবা ওইনা নোংচুপ (য়ুরোপ) লোমগী লোলদা হন্দোক্লগা ফোঙখিবসি জর্মন লোল'দনি। মথঙদা ইংলিস অমদি ফ্রেঞ্চ লোলদা হন্দোক্লবা মতুংদগীদি, মথং মথং লোল ৬৪দা হন্দোক্তুনা ফোঙনরকখি। তাইবংপান (কোসমোজ/য়ুনিভর্স) অসিবু শেমখিবনি হায়রিবা ব্রহ্মাগী ৱারী অসিদদি অতৈগা মান্নদবা মশক অমা থোরক্লে- অফবা ঈশ্বর (গোদ) অমসুং ফত্তবা ঈশ্বর (দেভিল) অনীমক ব্রহ্মানা শেমখিবনি হায়রক্লে। বাইবলদা শৈথারিবা ঈশ্বরগী মশক (মতীক/মগুন) অদুগা হিন্দুগী লাইরিকশিংদা য়েক্লিবা ঈশ্বরগী মশক অদুগা অমুক্তং চাংদম্নদুনা য়েংসি। খৃষ্টিয়নখক্তগী ৱা নত্তে, জিউ অমদি মহম্মদনশিংসুনি। মখোয়না থাজদুনা ঈরাৎচরিবা ঈশ্বরদুগী নেগেটিভ ওইবা রিমার্ক অমত্তসু য়াওরল্লোই। থাংজ নুমীৎপু মহাক্কী ঈরাৎ-থৌনি তৌনবগীদমক অখন্ননা থল্লিবা দেবতা 'শনিদেব'গুম্বা লাইগী মশক অতৈ ধর্ম্ম অমত্তগী ৱারী লাইরিক্তা থেংনরোই। অদুগা, খ্বাইদই ঙকপা অমনা, ইন্দিয়াদদি পূন্নমকপু শেম্বীবা 'ব্রহ্ম-দেব' অসিবু কনানসু ঈরাৎ-পুজা তৌদুনা লাৎনদে। রাজস্থানগী পুস্কর সহরদা লৈরিবা 'ব্রহ্মাগী মন্দির' অসি নত্তনা মহাক্কী খুভম অমত্তা লৈতে। থাইলেন্দগী কোনুং 'বেঙ্কোক'কী 'ইরাৱন শ্রাইন'দা ব্রহ্মাগী খুভম অমগা লৈ হায়না তায়।

অদুবু, মশীং খঙদনা লৈরিবা হিন্দুশিংগী দেবী-দেবতা, ঈশ্বরগী শক্লোন কয়া লৈরিবশিংসিগী মথক্তা, অতৈদগী পূমতোং তোঙানবা শক্লোন অমা হায়বা তারগদি 'শিব-লিঙ্গ' হায়না খঙনরিবা শক্লোন অসিনি। তোঙান তোঙানবা মীগী শক্তমদা শাগৎপা ঈশ্বরগী শক্তম ময়ামসিদই তোঙানবসু মসিনি। কনাগুম্বনসু শক্তম অসি পা-পী অনীগী অপূনবা শক্তম, থৱায়-পানবশিংগী হৌফম-শাৎফম (ক্রিয়েসন) ওইবদুগী সিম্বোল ওইবা শক্তমনি, শক্তিগী সিম্বোল 'শিব'গী মিং লৌদুনা থোনখিবনিসু হায়নৈ। অদুবু, অৱাংবা থাক্কী স্কোলারশিংনদি হায়- 'শিব লিঙ্গ', ব্রহ্মাগী খ্বাইদগী মপুম ওইবা শক্তমদুনি- অরেপ্পা মশক লৈতবা, মমীৎ-মনা পান্দবা, করিসু নত্তবা 'শুন্য'গী মশক ওইবা, অহৌবসু লৈতবা, অরোইবসু লৈতবা... মপাল নাইদবা করিগুম্বা অমগী শক্তমদুনি। করিসু নত্তবা, মশক মওংসু লৈতবা মঙোন্দা করি থৌনি নিরুনি? অদুননি, মহাকপু ঈরাৎ-পুজা তৌনদ্রিবা। প্রেয়র/প্রার্থনা হায়বসি মকোক নোম্না খুরুম্লিবা মহাক মশাগীদমক্কি, ঈশ্বরদুগীদমক নত্তে। 'ব্রহ্মা' হায়বদি পাক-চাউরবা তাইবংসিবুনি, তাইবংদুগী জ্ঞান, লৌশিং লৈরবা মহাক্তুবু কৌই 'ব্রাহ্মন'।

মশীং খঙদ্রবা লাইগী মন্দির শাদুনা খুভম অমমম শেমদুনা ঈরাৎনরিবা, ঈশ্বর মশীং খ্বাইদই য়াম্না লৈবা লম'নি হায়দুনা মমিঙ চৎলিবা ইন্দিয়ানি। অমেরিকান স্কোলারশিংগা মায়োক্নবা ইন্তরএক্সন প্রোগ্রাম অমদা ইন্দিয়ন মিস্তিক 'সদগুরু জগ্গি বাসুদেব'দা অমেরিকান অমনা নোংমা হংলকখি, 'মিস্তর সদগুরু, মালেমগী মীয়াম পূন্নমক্না য়ানৈ-গোদ ইজ ৱান, অদুবু ইন্দিয়াদদি ঈশ্বর কয়া লৈবগে- কনানসু হায়বা ঙমদে হায়নৈ... ঐখোয়দা অমুক্তা তাকপীরম্মু- ইন্দিয়াদা ঈশ্বর কয়া লৈবগে'? সদগুরু'না খুমখি... 'অমত্তা ঙায়বা ঈশ্বরদু মশক খঙবা ঙমদবা, মশক খঙদবা পোৎশক্তু মুন্নবদগীনি মালেমদা শান্তি লৈত্রিবা... লাই কোতি কুন্থ্রাহুমদোই লৈ হায়নরম্বদু ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশিং ক্রোর কুন্থ্রাহুমদোইখক্তা ঙায়রিঙৈদনি... হৌজিক্তি কোতি চামকুন্থ্রা হায়রগনি... মালেমদা শান্তি পুরক্লবা মী খূদিংমক্কী ঈশ্বর অমমম লৈহনগদবনি'...। পাউখুমদুদা লোৎলিবা পাউখোঙ, অমেরিকান অদুনা ফোঙবা করিসু ঙল্লল্লোই।

অদুগা, ঙসি পাউদম অসি পাবীরিবা মীয়ামদা পাউ অমত্তং তমজরমগে। অনৌবা নত্তে পাউ অসি। অদুবু, সিমদি ঐ হায়বা ঙম্মী শোয়দনা-ৱাফম অসি নোংমতসু খন্থরল্লোই। লাই অমগী নৎত্রগা খরগী খুভম শেল্লগা, নীংজবা ভক্ত কয়ানা লাক্লগা খুরুম্নফম ওইরিবা লাইশঙশিংসিগী মনুংদা লীরবা লাইশঙ অমখক লৈ। লাইশঙ'সিগী মনুংদা করিগুম্বা লাই মখল অমত্তগী খুভম লৈতে। পূমহাঙ হাঙই মনুংদু। অদুদি, কনাবুনো ঈরাৎলিবা? কনাদনো খুরুমদৌবা? হৈকৎ-লৈকৎ তমফমদুনা কদায়দা? পুজারিদা হংবীয়ু হায়রক্কনি, 'লাইশঙসিমক মাগী খুভমনি, মনুং-মপান, মথক-মখা, মফম খূদিংদা মহাক লৈ'।

হায়বীয়ু-করম্বা লাইগী লাইশঙনো? নীংশিংবীবা ঙম্বরা?

অতৈ নত্তে। মফম খূদিং য়ৌ'ঙম্বা, মহাক য়াওদনা তাইবংসিদা লৈরিবা করিগুম্বা পোৎশক অমত্তসু উবা ঙমদবা 'মঙাল'গী হৌরকফম ওইরিবা 'নুমীৎ'! অমম-অঙান খায়রিবা মহাকপু লাইগী শক্তম-লাক'-ঈরাৎলিবা 'সন-তেম্পল'নি।

লৌশিং পুক্কে

# স্প্লিট পর্সনেলিটি দিসওর্দর

## মী অমদা মান্নদবা পর্সনেলিটি ২ নৎত্রগা ২দগী হেন্না য়াওবা-১

স্প্লিট পর্সনেলিটি দিসওর্দর হায়রগদি মীওই অমখক্তংদা তোপ তোপ্পা মান্নদবা পর্সনেলিটি অনী নৎত্রগা অনীদগী হেন্না লৈবা মেন্টল দিসওর্দর অমা ওইরিবা দিসোসিএটিভ আইদেন্টিটি দিসওর্দর (দি আই দি) অসিবুনি। পর্সনেলিটি খুদিংমক অসিগী ৱাখল খনবগী মওং, থবক-থৌওংশিং তৌথোরকপগী মওং, অমদি লমচৎ-শাজৎনচিংবশিং অসি মপুঙ ফানা খেন্নবা য়াই।



হায়রিবা কন্দিসন অসি ট্রোমানা (মরুওইনা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা থেংনখিবা) অনম্বা মতমদা থোকহনগল্লি। দি আই দিগী চপ চাবা লায়েং লৈত্রগসু লোং-টর্ম ট্রিটমেন্টনা মখোয়গী পর্সনেলিটিশিং অদুবু অমখক্তংদা পূনশিন্নহনবদা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই।

দিসওর্দর অসিবু থোকহল্লিবা মরমশিং, মসিগী লাইওংশিং, দাইগ্নোসিসনচিংবা কয়াগী মরমদা মখাদা পীরি।

স্প্লিট পর্সনেলিটি দিসওর্দর হায়বসি দি আই দিগী হেন্না খঙনবা মমিং অমনি। হান্নদি দি আই দি অসিবু মল্টিপল পর্সনেলিটি দিসওর্দর হায়না খঙনরম্মী।

দি আই দি লৈবা মীওই অমদা পূমতোপ-তোপ্পা, মান্নদবা পর্সনেলিটি অনী নৎত্রগা অনীদগী হেন্না য়াওই। মখোয় অসি ইচম চম্না মুদ নৎত্রগা মওং মতৌদা হোংবদুখক ওইদে। দি আই দি লৈবা মীওই অমনা মান্নদবা আইদেন্টিটিশিং অসিগী মরক্তা য়াম্না অচৌবা খেন্নবশিং উৎলি, মান্নদবা আইদেন্টিটিশিং অসিবু অল্টর্স হায়নসু খঙনবা য়াই।

পর্সনেলিটিশিং অসি অমগা অমগা মপুঙ ফানা খেন্নবা ওইগল্লি। হায়রিবা মচেৎ তারবা পর্সনেলিটিশিং অসিনা মীওই অদুগী আইদেন্টিটি অদুবু মতম খরগী ওইনা কন্ত্রোল তৌই।

মীওই অমনা মশাগী প্রাইমরি নৎত্রগা হোষ্ট আইদেন্টিটি অমসু মেন্টেইন তৌই, মসি মশাগী অশেংবা পর্সনেলিটি অদুনি, অমদি মহাক্কী মিং অদু কৌবদা অদুম্মক খুল্লক্কনি। মহৌশানা মশাগী প্রাইমরি আইদেন্টিটি অদুনা হেন্না পেসিভ ওই, অমদি মশাদা য়াওজরিবা অতোপ্পা পর্সনেলিটিশিং অদুগী মরমদা খঙজদবা য়াই।

পর্সনেলিটি হোংবগী থৌওং অসি তৌবদা অনৌবা পর্সনেলিটি অদুগী তোপ তোপ্পা হিষ্টরি অমা, অনৌবা আইদেন্টিটি অমা, অমসুং মান্নদবা শাজৎশিং লৈগনি।

হায়রিবা স্প্লিট পর্সনেলিটিশিং নৎত্রগা অল্টরশিং অসিগী মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা মিং, চহী, জেন্দর (নুপা/নুপী ওইবা), মুদ, মোমোরি, ভোকাব্যুলরিনচিংবা লৈগল্লি।

অনৌবা পর্সনেলিটি অমনা মশাবু মান্নদবা মওংদা উজগনি। খুদম ওইনা, পোল্লকপদা নুপা ওইরকপা মীওই অমদা নুপী ওইবা অতোপ্পা আইদেন্টিটি অমা লৈবা য়াই। মশাদা নুপী ওইবগী বাইওলোজিকেল সেক্স কেরেক্টরিষ্টিকশিং য়াওবগুম ফাওজবা য়াই।

হায়রিবা পর্সনেলিটিশিং অসিগী মরক্তা হোংদোক-হোংজিন তৌবগী থৌওং অসি অকক্লবা ষ্ট্রেসর নৎত্রগা ট্রিগর অমা মায়োক্লবা মতমদা থোক্কল্লি।

দি আই দি ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম অসি মপুঙ ফানা খঙবা ওইদ্রি। অদুমওইনমক, হায়রিবা কন্দিসন অসিগা ট্রোমাগগী মরক্তা য়াম্না অকনবা মরী অমা লৈনৈ। লৈনরিবা মরী অসি মরুওইনা অঙাং ওইরিঙৈদা ট্রোমা নৎত্রগা এব্যুজ মায়োক্লখিবগী ওইনা চূম্বা য়াই। য়ুরোপ, য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স, অমসুং কানাদাদা লৈবা দি আই দিগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা অপূনবা মীওইশিংগী চাদা ৯০দি অঙাং ওইরিঙৈদা শাথিবা মখলগী ট্রোমা মায়োক্লখিবা ভিক্তিমশিংনা ওইরি।

দি আই দি লৈবগী খুদমশিং অসি মী অমগা মী অমগা মান্নদবা য়াই অদুবু খুদমশিংগী মনুংদা তোঙানবা পর্সনেলিটি অনী নৎত্রগা অনীদগী হেনবগী মরক্তা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌবগী থৌওং য়াওই।

**সিম্পটমশিংদি:**

- মশা মশাগী ওইবা সেল্ফ-আইদেন্টিটি অমসুং শাজৎ লৈজবা, মান্নদবা পর্সনেলিটি অনী নৎত্রগা অনীদগী হেন্না লৈবা
- মীওই অমা মশাবু খঙজবগী মওংদা মশক থোক্লা হোংবা
- মেমোরি অমসুং পর্সনেল হিষ্টরিদা তোয়না তোয়না গেপশিং লৈবা, (মহৌশাগী ওইবা মওংদা কাউগনবগী থৌওংনা থোকহনবা নত্তবা) অসিনচিংবা য়াওরি।


অতোপ্পা পর্সনেলিটিশিং অসিনা মহুৎ শিনবা মতমদা মখোয়না ৱা ঙাঙবা মতমদা মান্নদবা ভোকাব্যুলরি শীজিন্নবা অমদি মখুৎ-মশা অমদি মশা শীজিন্নবগী মওংদসু হোংবা তৌগল্লি। করিগুম্বা কেস খরদদি অতোপ্পা পর্সনেলিটিশিংদা লৈতবা অকক্লবা হৈনবী খরা পর্সনেলিটি অমনা শীজিন্নবা য়াই, খুদম ওইনা মৈখু শীজিন্নবা, নৎত্রগা তমথিবা মীওই ওইবা পনবা য়াই।

পর্সনেলিটি অমদগী অমদা হোংবা মতমদা মীওই অমনা অতোপ্পা সিম্পটমশিংসু মায়োক্লবা য়াই। মীওই খরদদি পার্সনেলিটি হোংবগী থৌওং অদুদা কিবদগী এঞ্জাইটি লৈবা য়াই। মীওই খরদনা য়াম্না শাউবা নৎত্রগা তমথিবা থৌওং চত্থরকপা য়াই। মীওই খরনা অসুম্না হোংবগী থৌওংশিং অসি খঙলগসু অতোপ্পা মীওই খরদদি শুকখঙ খঙজদবসু য়াই।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

মমি ৱারী | থৱান





নুমীৎনা চিংয়া থাংলকপা মতমদা শিংপা অচিক্পা নুংশিৎনা ঐখোয়গী অৱাবা পুদুনা চৎপরা?

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি


## সেন্টরদগী থাদরক্লিবা শেনফমশিং ফজনা শীজিন্নরবদি করিগী অৱাৎপা লৈগদৌরিবনো?



মণিপুরগী লমগী পাক চাওবসি চাওরাক্লা স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ মুক্লি। মসিদা এ সী ৬০গী মীহুৎ ৬০ লৈরিবনি। মসিগী মথক্তা এম পি ২সু য়াওরিবনি। চীঙ অমসুং তমদা লৈরিবা মিনিষ্টর, এম এল এনা ভোট হেক কাখিবগা চাওখৎ থৌরাং অমত্তা মওং তানা পাঙথোক্তে। সেন্টরগী গভর্ণমেন্টনা চাওখৎ থৌরাংগীদমক ফন্দ মরাং কায়না থাদোরকই। মখোয়না থবক ফজনা তৌবিরগদবু এ সীশিং অসিদা করিগী অৱাৎপা লৈগদৌরিবনো? এ সী ৬০দা চৎতুনা য়েংশি, করম্বা এ সীশিংদা লম্বী-থোং ফজনা লৈরিবগে? মৈ-ঈশিং মরাং কায়না ফংব্রা? অমত্তসু অফবা লৈতে। লম্বী খুদিংমক নোং তারগা লৈখোম লৈনাংশিংনা চৎপা য়াদে হায়বগী ৱাকৎ ঙাক্তনি। ইম্ফালগী মফমশিংদা অসুক নুংঙাইতবা ওইরগা থাপতোকখিবা মফমদদি করম তৌরমগনি। অমরোমদা এম এল এ মিনিষ্টর ওইরিবশিংগী ময়ূমশিং য়েংলুবদদি মখোয়গী ময়ুমশিংদি কোনুংদগী হেনবা য়ুমজাও ঙাক্তনি। অৱাৎপা লৈতে, ফজবা ঙাক্তনি। মসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী অৱাৎ-অপাগী ৱাকৎ তোয়না লাক্লিবনি। মখোয়না থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী অৱাৎ-অপা মেনশিল্লগবু করিগী খোল্লাউ তাগনি। মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়না নৌনা থোরক্লিবশিংসু মখোয়না ঙসি মীমাংদা থল্লিবা ৱাফমদু হান্নগী লুচিংবশিংনসু অদুমক হায়নখিবা ৱা ঙাক্তনি। তশেংনা মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী থবক পুকচেল শেংনা তৌরক্কদবা মীহুৎশিং লৈবাক মীয়াম্না পামজৈ খঙবিয়ু।

❒ ওইনাম কুঞ্জেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

## লমদম অসিগী ইচম-চমজবা মীয়াম্বু অপঙবা শিবগী থবক মখা তানা তৌবিরনু



মণিপুর ইমা লৈবাক্তা ঐখোয় মীয়াম্না তৌরিবা অমদি গভর্ণমেন্টনা শিনলিবা লালোং অসি উবদা করিগুম্বা মতমদা নোকনিংবা পোকই। মীয়ামদা ওইদবা ঙাঙবা লেপ্পে। অসিগুম্বা মীয়াম্বু অপঙবা শিবগী থবক অসি তৌবিগনু। মপি-মপানি হায়বদা পকচদে। ভোট লোয়রগা কোভিদ অমুক লাক্কদ্রা হায়না চিংনৈ। ভোট তৌরমদাইদনা কোভিদ ফবা লোয়রগনা হেনগৎপা অসিবু করম্বা চৎনবিনো। অদুগা হৌজিক প্রাইভেট ভেহিকল মচা-অচৌবা কয়া চৎলিবা অদুগা পেসেঞ্জরগীনা চৎপা য়াহনখিদবা লোয়ননা হোটেল হাংবনা য়াবা, ওফিস কাবসু য়াবা পেসেঞ্জরগা মরি লৈনবশিংনা অথিংবা থম্বা মসিগী চৎনবি অসি তশেংনা য়ানিংদে। অকুৎপাদা লৈতৌবা অতোংবদা লৈথোনবগী চৎনবী তৌবিগনু। মণিপুরগী মীয়ামসু ৱাখল খন্থবিয়ু। গভর্ণমেন্টনা তৌরিবা ট্রিকশিং মুন্না য়েংবিয়ু। পোৎচৈগী মমলনা তাংনিংবা মতমদা তাংহনবা অসিগুম্বা খুদোংচাবা অমদি কান্নবা খক থীবগী শাজৎ চৎপিগনু। ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরনসু শুপ্নগী চৌক্রি কোন্দুনা লৈবিগনু। হৌজিক পায়নরিবা ফমশিং অসি পিবা ফম নত্তে, মরম অদুনা হেন্না থোইনা চাওবিগনু। ৱাখল খন্থবিয়ু। লোয়ননা লমদম অসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিংনসু তুমিন্না অদুমক তাশিন-উশিন্নদনা লৈবগী হৈনবি থাদোকপীয়ু। ঐখোয় খুদিংমক ৱাখল তামিন্নসি তুং-মাং উবা হৈসি। নৎত্রবদি মখোয়না তৌনিংবা মওংদা তৌরকপা হায়বসি শোইদ্রবনি হায়বা ৱাফম কাউথোকপীগনু। চাওখৎপা লমদম অমা ওইহনবদা ঐখোয় পূন্নমক্কী চাওরবা থৌদাং লৈ হায়বা খঙমিন্নসি। মরুওইবা থৌদাং ঐখোয় খুদিংমক্না লৌমিন্নহৌদ্রবদি অৱাবা ওইগনি।

❒ নিংথৌজম রোনাল্ডো, হৈরোক পার্ট-২

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।০৯।২০২১ ইং, ইরাই; অয়ুক পুং ১০.৩৭ ফাওবা লাংবনগী ১৮নি পাল্লি, মতুং ১৯নি পাল্লনি।

মেষ: ঙসিসু নিংবা থুংবা, অমদি ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। শেন্দোং তানবৈ লমদদি খুৎচাও থাহৌরো, য়েৎনবদসু ঙমজগনি। য়েক্লবনদি হুন্দুনা ঙাংই।
লৈশা পাখংশিংগী- চিন য়াংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃষ: অফবা পাউতাক তানশিনবা অমদি লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাবা অশিংবা ওইগনি। অরানবা উপায়না মায় পাক্লবা হোৎনগে খনগনু। নৎত্রদি ময়েং তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: মীচঙ খোম্বা, শেন্দোং তানবা অমদি অনিংবা অফবা থবক পাঙবদা শোয়দনা মায় পাক্কনি। পাইরক্কী লৌশিংদি খজিক্তং শোনবনা খুদক্তা ৱা তুপকনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কর্কট: ঙসিসু হকচাং খিংলনি, পুক্নিং চঙনা অনিংবা থবক পাঙবা য়াৱনি অমদি অফবা মীংচৎ তানবা য়াগনি। ফমথোল ফংবগুম থৌনা লৈরদি নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ: খাঙবা কনবৈ কান্নবা, য়েৎনবদসু শোয়দনা মায় পাক্কদবা অমদি ইমুং-মনুং ৱাতান্নবগী কান্নবসু শোয়দনা উগনি। অদুবু মীতোপ লোয়নরদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা: মীয়াম্না য়াই, নচাক নরলসু চাওখৎকনি অমদি লাই-গুরুগী ৱা তারদি হেন্না খুমাং চাওশিনগনি। অদুবু কোক শাই অমদি লৈফম খঙলোই-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা: শেন্দোং ফংগনি, লাইবক ফগনি, ৱাখলগী পাঙ্গল কনগনি-নিংথিনা খল্লগা অরুবা থবক পাঙবা য়াগনি। অনম তানবা অমদি অশাওবদি তুংওইনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃশ্চিক: লম খুদিংদা মায় পাক্কনি। মতম মাঙহনগনু। খুৎচাও থাবা, থৌনা ফুদোকপা, য়েৎনবদা অমদি মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবদা লোয়নমক কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু: আশা চাওবা মতম মাঙনিংঙাইনি, মরম চাদনা আশা চাওগনু। য়েক্লবদি ঙমগনি, মীয়ামগা মরিসু ফগৎকনি অমদি মীরক চঙলগসু নুংঙাইবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর: শক-চু থোক্লোই অমদি ওইজবা মাঙগনি। খুদক্তা ৱারেপ লৌগনু। মীয়াম্না চানবীবা, অনিংবা থবক পাঙবা অমদি নচা-ননাইগী নুংঙাইজবা খরসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরিদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কুম্ভ: লাইবক ফরে, য়েক্লববু লাকশিনবা ঙল্লনি অমদি নিংবা মপা চাগনি। অদুবু হন্থবা লোয়নবা চোপকনি, পোরম য়াৎপা হৈবা ৱাৎলি, অশাওবনা মাঙজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: মীংচৎ, শেল, লৌশিং অমদি থিবা হুম্বা কনবৈ কান্নবা ফংবৈ নুংঙাইজবা নুমিৎনি। য়েৎনবদা কনানসু মায়থিবা পীবা ঙল্লোই অদুবু হোয়াদি ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।